এডিটোরিয়েল
[illegible]



শাজিবুগী ১৬ নি পানবা ইরাই, এপ্রিল ০৩, ২০২৬

[illegible]

হ্যুমেন রিসোর্স করিনো খঙদ্রব হ্যুমেন বিইং অম

‘হ্যুমেন’ হায়বদি ‘মী ওইবই মতৌ’ মী হায়ব খোঙ-খূৎ পানব, ৱা ঙাঙব ঙম্ব ৱাখল খন্ব ঙম্ব, থম্মোয় পান্ব, নুংশিব তূক্কচ্চব-অকিব খঙব থৱায় পানবা মখল অদুবু খঙনৈ। ‘রিসোর্স’- হায়রগন, পৈদুন নৎত্রগা তূংশিন্দুন থন্ব, লৌথোক লৌথোক্লগ সীজিন্নব য়াব করিগুম্ব পোৎসক অম। রিসোর্স হায়বসি মখল অনী শুই। মীওইবগী খূৎশেন্ন পুথোক্লগ / শেমগৎলগ কোন্ন সীজিন্ননব পৈশিন্দুন থন্বা স্তোক (মপৈ) অমদি মহৌশাগী ওইব পোত্থোক, কনানসু শেন্নুব তৌদন, হান্ননা লৈজরন্নবা পোৎকী মপৈ (রিসোর্স)। হ্যুমেন রিসোর্স হায়দুন ৱাহৈ অনীসি পূন্সিন্নরক্লগদি ৱাগী ৱাহন্থোক হোংখরে। নেচরেল রিসোর্স হায়রগদি, মালেম (পৃথিবী) অসিগী লৈরোন্নুংদ লোত্তুন লৈরিবা পোত্থোক (খোনি)শিং অসিবু খঙনৈ-কোত্থোক্লিমখৈ / লৌথোক্লিমখৈ লোইব নাইবরোইদব অমগুম। হ্যুমেন রিসোর্স-হায়বদি, পোকপ অমসুং শিব (পুথোকপ অমসুং মাঙহনব) কৌবা থৌওং (প্রোসেস) অসিগী মতুংদা লৈহৌরিবা নৎত্রগা হেনগৎলক্লিব মীগী মসীং (হ্যুমেন পোপ্যুলেসন) অদু নত্তে। পূমতোং তোঙান্ব ৱাহন্থোক্লি।

মায়কৈ অসোমদ মখা তান কোইথোকচরোই। অখঙ অহৈশিংদ ওনখত্তুনা তাকচবা ওইন থোকপা তারে। ‘হ্যুমেন রিসোর্স’ অতোপ্প ৱাহায় অমদ ‘হ্যুমেন কেপিতেল’সু হায়নৈ। ঐগী ঈরোন অসিদ (চপ চান) করি হায়ন হনসিগে খনফম খঙদদুননি ঐন ৱাকোই শুজরিব। ঐখোয়ন মহৈরোয় ওইরিঙৈদদি থোইন কম্মন ওইরমদব, ইকোনোমিস্তশিংতন সীজিন্নরম্বা ৱাহৈ-জুরা অসি, ঈহান হান্ন সীজিন্নব হৌরকখিব নুপাসি ‘জোন আর কম্মন্স’ কৌব ইকোনোমিস্ত অদুননি হায়ন থেংনৈ লাইরীকশিংদ। ১৮৯৩দা ফোঙখিব মহাক্কী লাইরীক ‘দিস্ত্রব্যুসন ওফ ৱেল্ঠ’ হায়ব অদুদ মহাক্ল ঈহান হান্না সীজিন্নখি হায়রগসু মীয়ান্ন অদুক হাক্লা পান্ন সীজিন্নরমদে। অদুবু, ৱাহৈ অসিবু ঙসি সীজিন্নরিব মওং অমদি ৱাহন্থোক অসুন্ন লৌদুন সীজিন্নব হৌরকখিবদি ১৯৫৮দা ‘ইং ৱিধ বাক্কে’ কৌব ইকোনোমিস্ত অদুন ফোঙখিব ইকোনোমিক রিপোর্ত অদুদইনি হায়ন থেংনৈ। ঙসিদি মীচম অমনসু খঙলব ৱাহৈ অম ওইরক্লে। ‘হ্যুমেন রিসোর্স দিবলপমেন্ত স্কুল’ কৌব মহৈলোইশঙ অমসু খিন্দুন লৈরেদন। সরকারগী লোয়শঙশিং খক্তন চলাইরম্ব লৈবাকসি মীশিং য়ামখৎলকপ অমদি মীগী ক্বালিতি হেনগৎলকপদগী মীগী মরন্নাই লোয়শঙ / প্রাইবেত কম্পনিশিং য়াওদন লৈঙাক ফেল ওইরকপগী মওং ওইরকখি। হ্যুমেন রিসোর্স দিবলপমেন্ত অমদি হ্যুমেন রিসোর্স মেনেজ মেন্ত- কম্পনি নৎত্রগ কোর্পোরেসন অমা মায় পাক্লা চলাইনবা খ্বাইদই মরু ওইব অম ওইরকখি।

মতাঙসিদ ৱাফম অমদি ময়েক শেংন নীংশিংহৌদব য়াদে। মদুদি, হ্যুমেন রিসোর্স হায়বদি পাল্লিব ‘হ্যুমেন’ হায়বসিদি ‘মীওইব’ খুন্নায়সিদ লৈরিব ‘মী’ কৌবা কম্মন নাউন’দু নত্তে। লূপ নৎত্রগ ইন্সতিত্যুসন নৎত্রগ দিপার্তমেন্ত অমদ, থবক তৌরিব, থৌদাং অমা পাঙলিব থোইদোক হেন্দোক্লব, হৈথোই শিংথোইরব থৌমী (স্কিল্ড ৱার্কফোর্স) অদুবুনি। প্রোপর নাউন’নি। অদুগ, রিসোর্স হায়বসিদ হায়নীংলিবসি, অদুগুম্ব অখন্নব মীদুদ চেল্লিবা থোইদোকপা অতাঙব মতীক-মঙম (গুন), অদুবু মরাঙ কায়ব ৱাত্ত-পাদব নত্তবা, লীক্ল চেনব ক্বালিতি অদুবুনি। মীওইব খূদিংমক্ত মান্নদব মগুণ অমম চেল্লি, মশাদ চেল্লিবা গুন অদু মসানদি খঙজদে হায়বসি ৱাখল লৈবশিংন হায়রম্মি। মশানদি খঙজদব, মশাদ য়াওদুনদি লৈরব, লোত্তুনা লৈবা তেলেন্ত অদু মশক খঙদোকপ, য়োকখৎপ অমদি মফম চান সীজিন্নবগী অনৌবা শিল্লম-শিন্থা অদুবুনি-হ্যুমেন রিসোর্স আইদেন্তিফিকেসন, দিবলপমেন্ত-অমদি মেনেজমেন্ত।

আর্ত এন্দ কলচরগী লম অমদবু ওইরবসু, লল্লোন-ইতিক্কী হীরমদবু ওইরবসু, একাদেমিক ওইব মহৈ মশিনগী লমদবু

সোরারেন

ওইরবসু মী অমন অঙাং ওইরিঙৈদগী পুমকক চাউরকপ, মপূম-মরৈ ফারকপ ফাওবদ মাগ লোয়নখিবা মরী মতা মরূপ-মপাঙ, মমা-মপা অমদি ওজা গুরুদগী হৌজিক্তি লায়ন খঙবা ঙল্লে- নুপা নৎত্রগা নুপীমচাশিন পাল্লিবসি করিনো? মঙোন্দ য়াওরিব রিসোর্স অদু করিনো? মদু করম ফগৎহনগনি অমদি নেহগৎহনগনি? থৌদাং অদুদি ঙসি, মীওইবন ফন নীংথিন পাঙব ঙল্লে। অদুনবু শেন্নক্লিবনি-মহৈশোগী পূক্কে হায়বা মালেম লৈমগী লোইনাইদ্রব পূক্কেদুগ পান্দমনব, মীওইবগী পুক্কে (হ্যুমেন রিসোর্স) কৌব পূমনৌ নৌব ৱাহৈ অম। হৌজিক ঐখোয়দ ৱাৎলিব, তৌফম থোকপ তৌঙমদ্রিবসি হ্যুমেন রিসোর্স মেনেজ মেন্ত (ঐচ আর এম) হায়ব সবজেক অসিনি। মফম খুদিংমক্ত মোদর্ন এদ্যুকেসনগী তঙায়ফদ্রব ইন্সতিত্যুসন অমদি- স্কুল / কোলেজ ওফ মেনেজমেন্ত! মেনেজমেন্ত কোর্স পূন্নমক্তগী খ্বাইদই কোক্লেন ওইবদুনি- হ্যুমেন রিসোর্স মেনেজমেন্ত।

ওর্গানাইজেসন, ইন্সতিত্যুসন নৎত্রগা লৈঙাক্কী দিপার্তমেন্ত অম মায় পাক্ল মতীং লৈন, তুং কোইন লৈহনগদৌরিবসি- মফমদুদ সীজিন্নরিবা, চাওখৎপ মতমগী অনৌবা মেছিনেরি অমদি ইক্বপমেন্তশিং অদুন নত্তে। মদুদ থবক সুরিব মীশিং অমদি খিল্লিব মেছিন / ইক্বিপমেন্টশিং অদু সীজিন্নগদৌরিবা মীশিং অদুগী মপান্দগীনি। মরাঙ কায়রব হ্যুমেন রিসোর্সসিং অদুগী মেনেজমেন্ত নীংথিন তৌবা ঙমদব / হৈতব অসিনি লমদমসিন, তৌরু তৌরুব থবক খূদিংমক্ত মায় পাকপ ঙমদ্রিব, মহৈ য়ানবা ঙমদ্রিব, ফেল ওইরিবসিগী মরম। হায়লি প্রোফেসনেল ওইরব, এক্সপরিয়েন্স লৈরব মেনেজমেন্ত গ্রেজ্যুয়েৎ কয়া থোক্লকপদগী মণিপুরদসু হৌদিক্তি প্রাইভেত কোর্পোরেত হাউজ কয়া মায় পাক্লা চলাইবা ঙম্নরক্লে। অনৌ-অনৌব বিজিনেস হাউজ কয়া থোরক্লে। গোবর্নমেন্টন মপু ওইব ওফিস / দিপার্তমেন্ত / কোর্পোরেসনদুখক্ত ঙায়শিল্লক্লে-মায়পাকপ ঙমদ্রিব। মুন্না থিজিল্লুরগদি খঙলকই-মদু, হৈথোয় শিংথোয়গী কোক্লেন মেনেজর ওইরিব পোলিতিকল লীদর (বোস) অদুন পূকচেল শেংদব, হুরানবই ৱাখল চেনবদুননি।

ঙসিগী ৱারেং অসি পাবীব কলচরেল এক্তিভিস্ত, ক্রিয়েতিব রাইতর / দিরেক্তর আর্তিস্ত কনাগুম্ব য়াওবীরগদি- ‘খ্বাইদই সেন্সিসিতিব ওইব হ্যুমেন রিসোর্স’দি আর্ত অমসুং কলচরদ থৌ-পাংলিব কলাকারশিং অসিনি, ঐখোয়ন লৈখা তারক্লিবসি অদুগুম্ব রিসোর্সসিং, মেনেজ তৌবা হৈতবননি’ হায়বসি অমুক্তং খন্থমিন্নদুন কোক অমুক্তং চূংসিনমিন্নসি নোল্লুকচরি। ঐগী ওইব ইরন্নাই ৱাখলদদি ঐ ঈসাদ য়াওজরকপ ‘নেচরেল রিসোর্স’ অদু কংখিদুন রিসোর্সকী ইকং থোক্লবর কন্ন চিংনজরক্লি। পূক্লিং-ৱাখল পূন্নমক ফমজীনখিবগুম তৌরক্লে।

খঙদে, ঐসিবু হ্যুমেন রিসোর্স হায়বদু করিনো খঙদ্রব হ্যুমেন বিইং অমর? নৎত্রগ ‘হ্যুমেন’ ওইদ্রব ‘বিইং’ অমর? লানগী মৈন চাকহল্লব কোকসি অতোপ্পদ ঙাইহাক নাথৈনব হোৎনবনি। তৌবগীদি, ঐহাক খঙই-ঐহাক ঈশামকপুদি ঈশিং কংখ্রব পূখ্রি, ইকং থোক্লব লৌবুক অমগুম্বনি- ঙসিগী তাইবংসিদ চন্নদ্রব। অদুবু, মতীক মঙম লৈরব, মহৈ মশিন হৈরব নহা’ন মরাঙ কায়রব লমসিদ, হ্যুমেন রিসোর্সকী ঈকং থোক্লবগুম খন্নরিব, ইকোনোমিক সেক্তর খূদিংমক্ত ফেল ওইরক্লিব রিসোর্সকী ইকং থোক্লবগুম খন্নরিব, ইকোনোমিক সেক্তর খূদিংমক্ত ফেল ওইরক্লিব... লুরব প্রোব্লেম অসিগী সোল্যুসন অম থিবদি খ্বাইদগী তঙায়ফদবনি।

ৱারেঙজরিব ঐহাক, হ্যুমেন রিসোর্স মেনেজমেন্ত এক্সপর্ত অমদি নৎচদে। অদুবু, ফাইনান্সল সার্ভিস সেক্তর দিকেদ খরগী এক্সপরিঅন্স অমদি ঙসিগী মণিপুর উরিব।থেংনরিব রিঅলিতিসিদগী - ’সিমদি খঙই ময়েক শেংন... মনিপুরন ঙসি লৈখা তারিব, নরক্কী কোমদ কূমথরিব ... হেন্ন হেন্ন, নমথীরব কোমসিদ ঙকশম য়ৌন কূমথরক্কদৌরিব - ‘করপসন’ হায়ব তমথীব ভাইরস অদুন মরম ওইরগনি। কুইদ্রি, মরূপ অমন তল্লকখি- ঐখোয়গী চিফ মিনিস্তর অমন ওফিসর অমদ, তেলিফোন্দ চৈবদু মহাক তাহৌই হায়... ‘নঙগী শেল খূৎচাসিদি হেনমল্লেহে... নঙগী নথক্তা লাক্লিবা কমপ্লেন্তশিং ঐহাক তাব ঙমদরে’...।

ঐন তৌহন্নীংবন, অদুম্ন চৈবই মহুত্ত থবক থোক থদৎপ, নোংঙাল্লকপগ লৌশিং তারক্লব, নহাশিংগী রিসোর্সতু মফম চান সীজিন্নব মখোয়গী মহুৎ শিনজিন্ব। অৱাবনি, অদুম তৌব ঙমগদব লৈঙাকপসু পোক্তে লমসিদ। লৈরিব মখোয় খরসি লোইনমক করপ্ত ওই।

মণিপুরদা য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট পীখৎলমদবগী ৱাথোক

গোকুলচন্দ্র ঙাংবম

হন্দক্তা ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা পাউ-চেশিংদা থেংনরকপনি স্টেট অসিগী দিপার্টমেন্ট ৩৩না কুমজা ২০২৪, মার্চ ৩১ ফাওবগী লুপা ক্রোর ১৫,০৮৬.৮৫গী য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট (য়ু সি) পুন্না ৬,৫৯৯ পীখৎলমদ্রে হায়না কম্পট্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেল (সি এ জি)গী রিপোর্টতা হায়রি। পাউ অসি তশেংনা য়ান্না ঙকপা অমসুং থাজদবা মখলগী পাউ অমনি হায়না লৌজৈ। মরমদি য়ু সি পীখৎলমদ্রিবসি ঙসি ঙরাংতগী নত্তে কুমজা ২০০৩-০৪গী হৌরগা চহী লীশাং শীৎনা পীখৎলমদবনি অদুগা লুপা ক্রোর ১৫,০৮৬.৮৫ হায়বসিসু য়ামখ্রবা মীয়ামগীদমক শেমগৎ শাগৎ তৌনবগীদমক থাদরকপা শেনফম অমনি। অসুক য়ামখ্রবা শেনফম অসিবু করিদা কদাইদা শীজিন্নখিবনো ফোঙদোক্তনা ঙসি ফাওবা লোৎতুনা থল্লম্বা নত্রগা শীজিন্নফম খঙদনা শীজিন্নদুনা মাঙহনখিবা হায়বসি লমদম অসিগী মীয়াম্বু উশীৎতবনি, অপঙবা শীবনি হায়না লৌদবা ঙম্লোই।

য়ু সি পীখৎতবা হায়বসি মীচম মীয়ান্না অরাইবা লোন্দাদা হায়রবদি, মচাশিংদা মপা-মমাশিংনা লাইরিক লৈনবনি, ফি-রোল লৈনবনি হায়দুনা শেল পীখ্রগা লাইরিক লৈরুরে, ফি-রোল লৈরুরে হায়বগী মতিক চাবা প্রমান ওইবা য়াবা লাইরিকসু পুথোরক্তবা, ফি-রোলসু পুথোরক্তবা, লৈরুবগী কেস মেমোসু উহন্দবা, লৈরুবা লৈরুদব্রা হৈনথোকখ্রবা খঙদনা নমশিন দুনা থন্বা অদুগুম্বনি। অদুগুম্বা অঙাংশিং অদুদা মপা-মমাশিংনা মখা তানা লাইরিক লৈনবগী, ফি-রোল লৈনবগীদমক অহেনবা শেনফম অমুক হন্না পীনিংবা হৌনদে। ঙল্লিঙৈ কুমজা ২০০০গী মমাং কম্প্যুটর শীজিন্নদ্রিঙৈদদি চে-চাং পুন্বা খুৎনা শুনরমই, য়ান্না কুপ্না য়েংশিনবসু ঙম্নরমদে। মতম চানা পীখৎলক্তবগী অহকপা চৈরাকসু পীরমদে। মতম অদুদগী লৈরকখিবা খুর্জু-মুর্জুদা লোইশিনবগী হৈনবীদু হৌজিক ফাওবা হৈনবগী মখাক লৈহৌবা মাল্লি।

লৈবাক্কী চাওখৎ, থৌরাংগীদমক থাদরকপা শেনফমশিং সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা স্টেট গভর্ণমেন্টতা, স্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা অমুক মখা থংবা দিপার্টমেন্টশিংদা, দিপার্টমেন্টশিংনা অমুক মরী লৈনবা মশা লোইশঙনচিংবশিংদা মথং মথং থাদদুনা লৈবাকসিগী মীয়ামগী য়াইফনবা থবক পায়খৎনরিবনি। প্রোজেক্ট নত্রগা স্কিম অমগীদমক্তা দিপার্টমেন্ট অমদা থাদখিবা / শিন্নখিবা শেনফমশিং অদু মফম চানা চানা শীজিন্নরবদি লৈবাক অদু চাওখৎ লম্বীদা চঙশিল্লক্কদৌরিবনি। য়ু সি হায়বসি লৈঙাক্লা নত্রগা কনাগুম্বা ওর্গনাইজেসন অমনা চাওখৎ থৌরাংগী হীরম অমগীদমক্তা থাদরকপা শেনফম অদু হীরম অদুমক্তদা মফম মতম চানা চানা শীজিন্নখ্রে হায়বগী সার্টিফিকেটনি, অঙাংশিংনা লাইরিক নত্রগা ফি-রোলশিং অদু লৈরক্লে হায়বগী কেস মেমো পুথোকপগুম্বনি। লমদম অসিগী লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎখ্রে হায়বগী খুদন্নি। লৈবাক অসিগী ওইনা মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সনা থোকপা জেনরেল ফাইনান্সিয়েল রুলস (জি এফ আর) ২০১৭গী রুল নম্বর ২৩৬গী মতুং ইন্না য়ু সি করন্না পীখৎকনি হায়বদু তাক্লি। দিপার্টমেন্ট অদুগী মকোক অমসুং ফাইনান্স/ একাউন্ট ওফিসার নত্রগা চার্টর্দ একাউন্টেন্ট অমনা য়ু সিদা খুৎয়েক পীদুনা শেনবা চহী অদু লোয়খিবা থা ১২গী মনুংদা পাঙথোক্লুবা শিন্নখিবা হীরম অদুদা মরম চানা শীজিন্নখ্রে হায়দুনা য়ু সি পীখৎকদৌবনি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা পীখৎলক্তবা তারবদি প্রোজেক্ট নত্রগা স্কিম অদু লোইশিন্দ্রি নত্রগা তৌদ্রিবনা মরম ওইরগা মদুগীদমক থাদরক্লিবা শেনফমশিং অদু শীজিন্নদ্র নত্রগা শীজিন্নবা লোইদ্রি হায়বনি। মরম অদুনা প্রোজেক্ট নত্রগা স্কিম অদুগীদমক মখা তাবা ফন্দ থাদরক্লরোই। অদুনদি মসিনা মাঙজগদৌরিবসি কনাদনো? মণিপুরগী ওইনা চাউনা মাঙজবনি, ঐখোয়গী মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাং থিন্থহনবা মরমনি। প্রোজেক্ট নত্রগা স্কিম অদুগী মখা তাবা ফন্দ থাদরক্ত্রবনিনা পায়খৎপা হৌরন্নবা প্রোজেক্ট / স্কিমশিং অদুসু লমখাঙদা লেপখিবা তাবনি নত্রগা থেঙনহনবা তাবনি। য়ু সি পীখৎলক্ত্রবা প্রোজেক্ট/ স্কিমশিং অদুগী থাদখিবা শেনফমশিং অদু শীজিন্নফম খঙদ্রবনিনা অমুক হন্দোক্লন্বসু য়াই। হন্দোক্লমদ্রবসু হন্দোরক্লো হায়রকপা তাবনি নত্রগা মতুং তারকপা চহীশিংগী থাদরক্কদৌবা শেনফমশিং ককথহৌরন্নগনি। মদুগা মান্নবা তারকপা চহীশিংগী থাদরক্কদৌবা শেনফমদগী ককথহৌরন্নগনি। মদুগা মান্নবা মখলগী অনৌবা প্রোজেক্ট/ স্কিমশিংদসু শেল থাদবিয়ু য়ারক্তবা তাবনি। অদুনদি হৌজিক মথক্তা পনখ্রিবা য়ু সি পীখৎলক্ত্রিবা প্রোজেক্ট/ স্কিম ৬৫৯৯ অদুগী মরাইবক হৌজিক করন্বা ফিভমদা লৈরমগনি। মদুগীদমক্তা কাইথোকখ্রিবা লুপা ক্রোর ১৫,০৮৬.৮৫গী শেনফম অদুনা কদাইদা কনাগী মরুম থুপ্পুনা লৈরমগনি। মরম চানা মরী লৈনবশিংনা য়ু সি পীখৎলক্লগনি। মীয়ামগীসু ফগনি, হরাওগনি, লমদমসিগীসু হেন্না হেন্না চাওখৎপা ওইরমগনি, লৈঙাকসিসু মীয়ান্না অফবা লৈঙাক্লি হায়নরমগনি, অতোপ্পা অনৌবা প্রোজেক্ট/ স্কিম কয়াগী অহেনবা ফন্দ অমুক্কসু থাদরক্লমগনি। য়েংশিনবিনবা লৈত্রবা, তৌনিং তৌনিংবতা তৌবা য়াবা, অকনবা অঙন্বা খরনা মনিং মখা তন্না পানবা, মতু শোনবা কাঙবুনা তুফক-তুফাই চন্দুনা মমিৎ কিরুপ কিরুপ য়েংদুনা লৈবা, মথৌ খঙদ্রবা মীয়ামগী মীহুৎশিং, মীহুৎ খনবা হৈতবা মীচম মীয়ামশিং কয়াম কুইনা ঐখোয় অসুন্না লৈখিগনি।

লৈঙাক অসিনা দিপার্টমেন্টশিংদা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগীদমক থাদরক্লিবা শেনফমশিং অসি মীয়ামদগী খোমগৎখিবা মীয়ামগী শেল ঙাক্তনি। জি এফ আরনা লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা মীয়ামগী শেনফমশিং অসি কমদৌনা শীজিন্নগনি, কমদৌনা শীজিন্নখিবগী ৱারোলাগিং (একাউন্ট) শেম শাগনি, পুকচেল শেংনা অমসুং লান্না শীজিন্নদনা য়ু সি পীখৎকদৌবনি হায়বনচিংবা তাক্লি। দিপার্টমেন্টশিং অদুগী মকোক ওইবিরিবা অমদি একাউন্ট শুবিরিবা ইমুংঙো ইবেন্মশিং জি এফ আরগী ট্রেনিং নৌনা পীখিবা তারিব্রা? সি এ জি না হৌজিক য়ু সি পীখৎলক্তে হায়দুনা ফোঙদোরক্লবনিনা শেনফমশিং অসি হৌজিক্তি কদাই কদাইদা করন্না শীজিন্নখিবগে থিগৎলক্লগনি খল্লি। মসিসু থিগৎতনা মফম খঙদনা অদুম মাঙহনখিগদৌরিব্রা? ডা লমাবম কমলনা হায়রম্বগুম হুরানববু হুরানবা ফারবদি কনানা বিচার তৌবিগনি হায়বদু তাদুনা তৌরক্কদৌরিব্রা?

য়ু সি পীখৎপা ঙমদ্রিবা প্রোজেক্ট / স্কিমশিংগীদমক থাদখিবা শেনফমশিং অসি অঙম-অথৌশিং, অচৌ-অশাংশিং, ফন্নাইব-ফন্নাইবীশিং ময়াম চঙদুনা শায়েন-ঙায়েন্নথোকখ্রবা? থবক তশেংনা তৌবা ওইরগদি য়ু সি পীখৎপা ঙম্লোইদবগী মরম লৈতে। মখোয় মখোয়না শাগৎলিবা য়ুম-কৈ, থৌনরিবা মমল য়াম্ল য়াম্লবা গাড়িশিং, লেপশিল্লিবা মরল মথুমশিং, মচা-মশুশিংনা লেল্লিবা পুন্সি মরেলশিং, পুন্নমক অসি মখোয়না ফংলিবা থাগী তোলোবতুগা য়েংনরুবদদি সমুদ্রগা লাংখোংগা হায়রদুনি। অদুনদি অসুক য়াম্লবা লুপা ক্রোর ১৫,০৮৬.৮৫গী খোঙ্গুল লীরকপদা মখোয় মখোয়দা হান্না চপখৎপা তাবনি।

অতোপ্পা য়ু সি পীখৎতবগী ওইবা য়াবা মরম খরবুদি লৈতবা নত্তে। দিপার্টমেন্টশিংনা মখোয় মখোয়গী মখাদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট ওফিসশিং, অতৈ এজেন্সিশিংদা থাদখিবা শেনফমশিং শীজিন্নখিবগী মরী লৈনবা চে-চাংশিং মতম চানা পীখৎলক্তবা য়াওরমগনি। অদুবু মদু পীখৎলক্লুবা তান্নবা হায়বসি দিপার্টমেন্ট অদুগী মরী লৈনবশিংগী মথৌ ওইফম থোকই, মীচম মীয়াম্না তান্নরুগদৌবা নত্তে। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতগী লাক্লগা তান্নরগদৌবা নত্তে। একাউন্ট শুবা নীংথিনা নত্রগা শুকহৈ হৈতবশিংনা লান্না শুজিনবা নত্রগা শুংশু শুদবা, মরী লৈনবা চে-চাং নীংথিনা চেকশিন্না থমদবা/ মাঙহনবা (থৌওইনা মাঙহনবসু ওইবা য়াই)। ফন্দ মতম চানা থাদোকপীদবনা মতম চানা য়ু সি পীখৎপা নংদবসু ওইবা য়াই। করিগুম্বা দিপার্টমেন্ট খরদি থাদরক্লিবা শেনফম অদু শীজিন্নবা হৈতবদগী নত্রগা শীজিন্নফম খঙদবদগী শীজিন্নদনা অরেম্বদা মাঙহনখিবগী ওইথোকপসু লৈতবা নত্তে। মতম চানা প্রোজেক্টশিং পায়খৎতবা অমদি পায়খৎপদা থেঙথবা হায়বসি লমদম অমগী চাওখৎ খোঙথাংদা থিন্থহনবগী মরম ওই। মসিগী হৈনবী অসি দিপার্টমেন্টশিংনা মীয়ামগী খল্লগা থাদোকপীবা ফৈ।

য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট পীখৎপা থেঙথবগী ওইবা য়াবা মরম ফনা য়ান্না লৈদুনসু চহী অসুক য়াম্বসি নমশিন্দুনা থল্লম্বসিদি খঙলক্লরোই খন্না থওইনা তৌবা মানবা অমা চমজখ্রবা মীয়ামসিনা উবা ফংই। হৌজিক য়ু সি থাগৎলক্কদৌবা য়ান্না ৱাৎলিবসি সেন্টরনা স্পোন্সর তৌবা স্কিমশিংনি। খুদম ওইনা এম জি এন আর জি এস, পি এম এ ৱাই, এন আর এল এম, এস এস এ, জে জে এম পি এম জি এস ৱাই মিড-দে-মিল স্কিমশিং পনবা য়াই। য়ু সি মতম চানা পীখৎলক্তবা দিপার্টমেন্টশিংগী মরক্তা ট্রাইবেল ৱেলফেয়র, রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ, স্কুল এদ্যুকেসননচিংবা পনবা য়াই। মীয়ান্না খনবদদি দিপার্টমেন্টশিংনা থম্মোয় শেংনা থবক তৌদে। সেন্টরনা থাদরকপা প্রোজেক্ট/ স্কিম কয়াগী শেনফম থবক তৌদনা মাঙহনখি হায়বসিনি। লৈঙাক পায়রিবশিংনসু মতম চানা নীংথিনা য়েংশিনবিদবগী মমি উবা ফংই। মসিনা মীয়ামদা চিংনহল্লিবদি লৈঙাক্লোয়শিং অমদি দিপার্টমেন্টকী কাংবুনা ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সিশিংগা মান্নরগা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থাদরকপা শেনফমশিং হায়হৎখ্রে হায়বসিনি। লীশাং শীৎনা শেঞ্জা-থুমজাগী চাং চাংদুনা লাকপা ষ্টেট ওইবনিনা মীয়ামগী চিংনবগী চংসু ৱাংহল্লি। মীয়ামগী থাজবা হঞ্জিলহনগে হায়রবদি ষ্টেট লৈঙাক্লা হীরম অসিদা কুপ্না য়েংশিন্দুনা অমদি থিগৎতুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীবা চঙই। মতুং তারকপশিংদদি মতম চানা চানা প্রোজেক্ট/ স্কিমশিং পায়খৎহন্নিংই, মতম চানা য়ু সি পীখৎহন্নিংই।

গুদ ফ্রাইদেনা লাকপদা

প্রভু জিসসকী পাউজেল নীংশিংসি, শান্তি লাকপসু ওইরসনু

গুদ ফ্রাইদেনা লাকপদা প্রভু জিসসনা পিরম্বা মীনুংশিগী পাউজেল নীংশিংসি। প্রভু মহাক্লসু লমদম অসিদা ঈং-তপ্পা শান্তি লাক্লবগী থৌজাল অমদি মীনুংশিগী ইরিক খীকপিবা ওইরসনু। ঈশ্বর অমত্তনি হায়বসিদি পূন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু মাগী-মাগী ঈশ্বরনা হেল্লি হায়বগী লমজেলদি অদুমক চত্থনরি। মীওই খুন্নাইনা লাৎনরিবা ঈশ্বরশিংনা মীওইবা জাতিগী মরক্তা খৎন-চৈনৌ, নুংশিনগনু অমদি লান তৌনৌ হায়রম্বদি লৈখিদে। অদুবু ঈশ্বরনা পিরম্বা ফজরবা পাউতাকশিংবুদি কাউথোক্লগা ঐখোয় মশেল অদুমক খৎন-চৈনরি। অদু ওইরবদি ঈশ্বর নিংলুবগী অমদি লাৎলুবগী করি ৱাহন্থোক লৈরি। লাইশঙদা, মসজিদতা অমদি চর্চতা চঙলগা লাই খুরুম্বা মতমদা গেটতা থল্লম্বা খোংউপ অমদি চপ্পল মাঙখিগদ্রা হায়না খল্লবদি করন্না পুক্লিং-ৱাখল লৈতবা ঙমগদৌরিবনো? লাই খুরুম্বদি লেপতে, পুক্লিং হোংবসু ঙমদে। নিংজরিবা লাইদুনা পেনবিরমগদ্রা হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহংনি। মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবগীদমক কৎথোকখিবা প্রভু জিসসনদি মীগী লম মুল্লগা লৈগদবনি, মী হাৎকদবনি, য়ূম মৈ থাগদবনি কৈদৌনুংদা হায়রমখিদে শুপ্নগী মীনুংশিগী পাউজেল খক্তা নত্তনা। অদুবু মহাকপু নিংজরিবা মীওইশিংগী মরক্তদি লান তৌনরি, হাৎনরি অমদি অমনা অমবু নমথনবা হোৎনরি। মদু ওইরবদি প্রভু জিসস নিংলুবগী অমদি লাৎচরুবগী ৱাহন্থোক লৈরিব্রা? ৱাফম অসি লাইনিং লাইশোন পূন্নমক্কি ৱানি। ভগৱান শ্রী কৃষ্ণ, পাখঙবা, সনামহি, মোহম্মদ পেগম্বরবু নিংজরিবা পুন্নমক্লা খঙমিন্নবা চঙই। তশেংবদি ঈশ্বর হায়বসি ঐগী-ঐগী থৱায় অদুবুনি। থৱায় অদুনবু য়াদ্রবদি ইশ্বরনসু কৈদৌনুংদা য়ারোই। স্পেসতগী য়েংলকপা মতমদদি পৃথীবি অপিকপা মতুম তাবা পোৎশক অমা ওইনা উই। অদুবু অপিকপা মতুম তাবা পৃথিবি অসিগী মনুংদা তৌনরিবা লিলা অসিদি অঙকপনি। ঈশ্বরগী মীংদা করিবু তৌনদবা য়াওরিবগে? থোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোকশিং অমদি অৱা-অনা তারিবশিং অসি ঐখোয় ঈশ্বরদা তাইনরোইসি, ঐখোয় মীওইবনা অদুমক থোকহনবা ঙাক্তনি।

মীওইবা ঙাক্তনি, ঐখোয় পূন্নমক য়ান্না নুংশিননা লৈমিন্নসি। শীগদবা মীওই মপোক ঙাক্তনি, তন্নসু ঙমদবা পুন্সিনি। গুদ ফ্রাইদে নীংশিংবগী অশেংবা ৱান্থোক লৈহনসি। মীওইবনা লংজখিবা পাপ কয়া অদুগীদমক মহুৎশিল্লগা প্রভু জিসসনা সুলিদা কাখিবনি হায়বসি ঐখোয় কাউরোইসি। মহাক্লা পিরম্বা নুংশিবা, অমনা অমগী মতেং পাংনবা, অচুম্বা চৎপা, কৎথোকপা, ঙাকপিবা হৈবা, মপু মশক খঙনা থবক তৌবা অমদি হোৎনবা কনবগী গুন চেনবা খক্তনা অশেংবা মনাই ওইগনি হায়রম্বদু নীংশিংসি। মহাক্লা পামজরম্বা থবক তৌদুনা খুন্নাই অসিদা ঈং-তপ্পা, তংদু-লৈতাবা অমদি নুংশি-চান্নবা লৈমিন্ননবা হোৎনবা অদুনা মহাকপু নিংজবগী মহয় ফংবা হায়বদু ওইগনি। মতম অদুদা মপু মানা থৌজানবিবা হায়বদুসু ওইগনি। নীংবু নিংজরবদি, মহাক্লা পামজরম্বা থবক অদুবু থম্মোয় শেংনা তৌরবদি মপু মহাকপু ফংজবগা লোয়ননা চঙনা স্বর্গ কাবা হায়বদু ওইগনি। প্রভু জিসসনা মীওইবগী পাপ পূন্নমকপু কোকপিনবগীদমক থৱায় ফাওবা থাদোকপিখিবা থবক অদুমক ঙমদ্রগসু মহাক্লা পামজরম্বা অমনা অমবু নুংশিবা হায়বদুমদি ঐখোয় শোয়দনা তৌবা ঙমগনি। মপু মহাকপু নীংশিংসি, মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরকপা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি। ফুরুপ মশেল হাৎনবগী থবক লেপ্পসি, মহাক্কি খুয়াখাদা চঙজরসি। মদুনসু মহাক্লা পেনবিবা হায়বদু ওইগনি। ঈশ্বর নিংবগী ৱাহন্থোক লৈহনসি। চিন্দনা ঈশ্বর শোল্লগা থম্মোয়দনা য়েক্লবগী ৱাখল অমদি মশাতগী খনবগী থবক তৌরবদি মপু মানসু কৈদৌনুংদা য়ানিংলোই। মরম অদুনা অওনবা অমা পুরক্লবা হোৎনমিন্নদুনা প্রভু জিসসনা পিরম্বা পাউতাকশিংগী মতুংইন্না ঐখোয় পূন্নমক থবক তৌমিন্নরসি। মদুতনা লমদম অসিদা ঈং-তপ্পা, তংদু-লৈতাবা অমদি পুকচেল-খোয়জেল তিন্ননা লৈমিন্নবা ঙমগনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈ।